**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 01-12-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০১-১২-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা কামজোং জিলাদগী চিংননিংঙাই ওইবা য়াম্লবা শেনফম কয়া ফাগৎপা ঙম্লে।

২) মনিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০২৫ ঙরাং নাৎকী ওইবা জগোয় ঈশৈগা লোয়ননা লোইশিনখ্রে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- পুলিসনা দাইত্যা খঙনা অমসুং মীয়ামগী অপান্বা মতুং ইন্না নিংথিনা থবক তৌদুনা মখোয়দা মীয়ামা মরুওইনা নহাশিংনা য়েংলিবা মীৎয়েং হোংদোকহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

**------**

**সেক্যুরিতি (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা কামজোং জিলাদগী চিংননিংঙাই ওইবা য়াম্লবা শেনফম কয়া ফাগৎপা ঙম্লে।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী পাউনা হায়- কামজোং জিলাগী চসাদ

পুলিস স্তেসননা কোনবা ফাইকো আউটপোষ্টতা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা মীওই ৪ লূপা লাক্ষ ৫৭ লিশিং ৭৭ হেনবা য়াল্লবা শেনফমগা কোন্ননা ফাখি। হায়রিবা শেনফমশিং অসি লালহৌলুপশিংগা মরী লৈনরমগনি হায়না চিংনরি। মখা তানা থিজিন্নবগীদমক পুলিসনা খোঙথাং কয়া লৌখৎখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা তেংনৌপল জিলাদগী য়াল্লবা য়ুঙাং অমদি চুরুৎ ফাগৎপা ঙম্লে। কন্ত্রোল রুমগী পাউ অসিনা মখা তানা হায়-মোরে পুলিস স্তেসনগী মনুং চন্না লৈবা টি বুংমোল জঙ্কসনদগী মীওই ২ য়াল্লবা য়ুঙাং অমদি চুরুৎকা কোন্ননা ফাখি। মখোয়দগী তোঙান তোঙানবা ব্রান্দগী য়ুঙাং ফুল বোট্টল লিশিং ৬,১৪০ , ক্বাতর বোট্টল ১৯২, হাফ বোট্টল ১৪৫ অমদি চুরুৎ বোক্স অনি ফাগৎখি। ফারবা মীওই অনিমক তেংনৌপল জিলাদগীনি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই ৫ ফারে। থৌবাল জিলাগী ইঙৌরোক মমাঙ লৈকাইদগী আর.পি.এফ(পি.এল.এ)গী কাদর ১ সেক্যুরিতি ফোর্সনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা মহাক্কী লৈকাইদগী ফাগৎখি। নুমিৎ অসিমক্তদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কংলা শঙ্গোমশঙ ময়াই লৈকাইদগী আর.পি.এফ(পি.এল.এ)গী কাদর ১ সু জিলা অসিগী কংলাসিফাইদগী ফাগৎখি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি(তাইবংঙানবা)গী কাদর ১ হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ৱাংখৈ অয়াংপল্লি রোদতগী ফাগৎখি। মহাক বিষ্ণুপুর জিলাগী ইথাই ৱাপোকপী ময়াই লৈকাইদগীনি হায়রি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী কাদর ১ থৌবাল জিলাগী লিতান থোংখোঙ মনাক্তা লৈবা ঙমখোঙদগী ফাগৎখি। মহাক জিলা অসিগী নুংব্রং মখা লৈকাইদগানি হায়রি। নুমিৎ অসিমক্তদা, মণিপুর পুলিসনা প্রিপাক(প্রো)গী কাদর ১, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী খাগেমপল্লি পন্থকতা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদগী ফাগৎখি। মীওই অসি ডোক্তর, হোস্পিতাল, স্কুল ভেন এসোসিয়েসন, স্কুল, বেকরি সোপ, জিম

সেন্তর অমদি মীচম মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবনি হায়রি।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়-জিরিবাম জিলাগী মোংবুং অমদি সৈজাং ভিলেজকী তাইনবা মফমদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা খূৎলাই কয়া ফাগৎপা ঙম্লে। খূৎলাইশিং অদুগী মনুংদা দি.বি.বি.এল গন ৩, মেগজিন য়াওবা কন্ত্রি মেদ পোইন্ট থ্রি টু পিস্টোল ১, থর্তি সিক্স ঐচ.ঈ গ্রেনেদ ২ অমদি নোংমৈ মরু ১১৮ য়াওরি।

**সঙাই (এল)ঃ** মনিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল ২০২৫ ঙরাং নাৎকী ওইবা জগোয় ঈশৈগা লোয়ননা লোইশিনখ্রে। লোয়শিনবগী মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা ভৈগ্যাচন্দ্র ওপন ইয়ার ঠিয়েটর (বোট) তা পাঙথোকখি। মদুদা রাজ্যপাল অজয় কুমার ভাল্লা শরুক য়াখি।

অথেংবদা মিস শঙাই ২০২৫ গী গ্রান্দ ফিনালে পাঙথোকখি। মকোক মথং তারবশিংদা মনা মথুমশিংসু য়েন্থোকখি।

খুমন লম্পাক আর্চরি গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা শঙাই ম্যুজিক ফেষ্টিভেলদা ঙরাং মপাল লমগী রোক বেন্দ গিরিস এন্দ দ ক্রোনিকলস শরুক য়াখি।

অমরোমদা, আই.দি.পিশিংনা ঙরাং সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লবনিনা শান্তি লৈরে মরম অদুনা মখোয়সু মশা মশাগী য়ুমদা হলহনলু হায়দুনা কংলাগী নোংচুপ থোং মমাংদা ৱাকৎ খোঙজং চংশিনখ্রে। খোঙজংলোইশিং অদু পুলিসনা মতম চানা লাকশিন্দুনা মখা তানা ইরাং থোকহনখিদ্রে।

নুমিদাংগী মতমদা, নুপীশিংনা আই.দি.পিশিং ময়ুমদা হঞ্জিলহল্লু হায়দুনা মৈরাগী রেল্লিশিংসু চৎনখি।

**এইদস (এল)ঃ** মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোকবগুম ঙসি মণিপুরদসু ৱার্ল্ড এইদস ডে ২০২৫গী থৌরম পাঙথোক্লি। অয়েৎ অপন নমখাইদুনা এইদস থেংনবদা অওনবা পুরকপা হায়বা অসিনা চহী অসিগী থিমনি। মণিপুর ষ্টেট

এইদস কন্ত্রোল সোসাইতিনা শিন্দুনা থৌরম অসি ঙসি রাজ্য থাক্তা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা এম.এস.এফ.দি.এসগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা রাজ্যগী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়রগী কম্মিসনর সুমন সিংহ্ শরুক য়াগনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- পুলিসনা দাইত্যা খঙনা অমসুং মীয়ামগী অপান্বা মতুং ইন্না নিংথিনা থবক তৌদুনা মখোয়দা মীয়ামা মরুওইনা নহাশিংনা য়েংলিবা মীৎয়েং হোংদোকহনবগী তঙাইফদবা লৈ । রাইপুরদা পাঙথোকপা ৬০ শুবা ওল ইন্দিয়া কনফরেন্স ওফ দাইরেক্তর জেনরেলস-ইন্সপেক্তর জেনরেলস ওফ পুলিসকী মীফমদা সভাপতি ওইনা শরুক য়াখিবা প্রধান মন্ত্রিনা অর্বান পোলিসিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা, টুরিস পুলিসশিং নিংথিনা থবক পাঙথোকবা অমসুং লৈবাক অসিদা নৌনা চৎনরবা ক্রিমিনেল লোশিংগী মতাংদা মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবা হায়খি। শ্রী মোদিনা য়ুনিভর্সিতি অমসুং একাদেমিক ইন্সটিট্যুসনশিংদা পুলিস ইনভেষ্টিগেসনদা ফোরেইনসিক শিজিন্নবগী কেস স্তদিস লৌখৎনবা হায়খি। থৌরম অদুদা শ্রী মোদিনা আইননা থিংখ্রবা লুপশিং চাং নাইনা য়েংশিন্নবা মেকানিজম শেমগৎপগী তঙাইফদবা লৈ অমসুং মসিনা লেফট ৱিং এক্সত্রিমিজম লৈতবা মফমশিংদা চাউখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎপদা চাউনা কান্নহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি। ভিক্সিট ভারতঃ সেক্যুরিতি দাইমেনসন্স হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা নেসনেল সেক্যুরিতিগী ৱাফমশিংগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

**সংসদঃ** সংসদকী নিংথম মীফম ঙসিদগী হৌরগনি। হন্দক্কী মীফম মনুংদা পুন্না বিল ১৩ পুথোক্কনি। বিলশিং অদুগী মনুংদা দ নেসনেল হায়ৱে (এমেন্দমেন্ট)বিল, দ এতোমিক ইনর্জি বিল, দ কোরপোরেট লোজ (এমেন্দমেন্ট) বিল, দ ইন্স্যুরেন্স লোজ (এমেন্দমেন্ট) বিল অমসুং হায়র

ইদ্যুকেসন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া বিল ২০২৫ য়াওরি। লোক সভাদা শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারামননা কুমজা ২০২৫-২৬কী সপ্লিমেন্তরি দিমান্দস ফোর গ্রান্দসকী অহানবা বেটচ খন্নদুনা ভোৎ লৌননবা পুথোক্কনি। মসিগী মথক্তা শ্রীমতি সিতারামননা সেন্ত্রেল এক্সাইস (এমেন্দমেন্ট) বিল অমসুং হেলথ সেক্যুরিতি সে নেসনেল সেক্যুরিতি সেস বিল ২০২৫ পুথোক্কনি।

সংসদকী নীংথম মীফম ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ১৯ ফাওবা চগ্লগনি। মসিদা পুন্না সিট্টিং ১৫ লৈগনি।

সংসদকী নীংথম মীফম নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমবগীদমক সরকারনা শিন্দুনা ঙরাং নিউ দেল্লিদা রাজনিতি দল পুমমক্কী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সঙাই ফেষ্টিভেল লোইশিনখিবগী পাউ, আই.দি.পিগী খোঙজংগী পাউ অমদি নিংথম মীফমগী পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

ঙরাং লোইশিনখিবা সঙাই ফেষ্টিভেল নমফুদা পাঙথোকখ্রবসু মতাং চাদবদগী খুন্তাক লানশিখি হায়বা পাউ অসি হুইয়েন লানপাউগী বেনর হেদলাইন তৌরি। সেক্যুরিতি ফেষ্টিভেল ওইনা তৌখ্রে হায়বা ও.জয়গী ৱাফম, তক ওফ ৱার তৌনবনি হায়বা রধাবিনোটকী ৱাফম, প্রসিদেন্টস রুলনা হৈহৌদ্রব্রা হায়বা ডা.নরাগী ৱাফম, নমফুদা পাঙথোকখিবা নুঙাইতে হায়বা নিমাইচান্দগী ৱাফম, আই.দি.পিশিংদা প্রাইয়োরিতি পীগদবনি হায়বা কে.রঞ্জিৎকী ৱাফম অমদি মতাং চাদ্রব্রা খল্লি হায়বা অশপ উদিনগী ৱাফমশিংনা সব-হেদলাইন ওইনা পীরি।

পোকফমদা- আই.দি.পিশিংগী লেপ্তুনা খোঙজং মরক্তা পাঙথোরকপা

মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল লোইশিনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাডচে অসিদা- মিজোরমদা ম্যান্মার রিফিউজি চাদা ৬১.৯৫ বাইওমেট্রিক ড্রাইভতা রেজিস্তর তৌরে হায়বা পাউ অমসু অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা- আই.দি.পিশিংনা কংলা মমাঙদা খোঙজং চংশিনখ্রে, লৈফমদা হন্দনা খোঙজং চংশিল্লকতৌরি হায়বা পাউ অসি অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা- ১০ নিগী সঙাই ফেষ্টিভেল লোইশিনখ্রে, ২০২২ দা মী লাক্ষ ২ লিশিং ১৯ না য়েংখিবদু হন্দক্তি লিশিং ১০ য়ৌখিদ্রে হায়বা পাউ অসিসু অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। শীংনবা খরা মায়োকরবসু ফেষ্টিভেল অসি মাই পাকপা অমনি হায়বা গভর্ণর অজয় কুমার ভাল্লাগী ৱাফম অমসু বোক্স আইতেম ওইনা ফোঙলি।

খোঙজং চংশিনবসু লেপখিদে, ঈশৈ নোংমাইসু মী অদুমক তিনখি, ঙসিদগী আই.দি.পিশিংনা লেপ্তুনা ৱাকৎ খোঙজং চংশিনগদৌরি হায়বা পাউ অসি- সনালৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী থবক অমা তৌবদা কান্নবা কয়া পীবা লুচিংবনি হায়বা মণিপুর প্রদেশ বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট সরদাগী ৱাফম অমসু অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- সঙাই ফেষ্টিভেল ২০২৫ না টুরিজমগা মরী লৈনবা স্তেক হোল্ডরশিংদা মরুওইবা ফিদা অমা পীখি হায়বা গভর্ণরগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফম সিট্টিং ১৫ তমক ফমগনি হায়রকপদগী কংগ্রেস পার্তি মৈ হৌনা শাউখ্রে হায়বা পাউ অমসু অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- এদিসনেল চিফ সেক্রেটরিনা

পি.এম.জে.ভি.এম অমদি পি.এম.এফ.এম.ঈগী মখাদা মেছিন অমদি টুলশিং য়েন্থোকখ্রে। মাউ রেঞ্জ ওফিসকী বেরেকসু শঙ্গাখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা- ৭ শুবা মণিপুর ষ্টেট লেভেল কিৱি ফ্রুট ফেষ্টিভেল ঙরাং ওইনাম হিল ভিলেজতা লোইশিনখে হায়বা পাউ অমসু ফোঙলি।

গানফিউ মেলদা- আই.দি.পিশিংবু দিসেম্বর ফাওবদা রিসেট্টল তৌহনদ্রিবা ফাওবা ষ্টেট ৱাইদ এজিতেসন হৌরগনি হায়বা কোকোমিগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা- শ্রীলঙ্কাদা সাইক্লোন দিত্বানা মীওই ২০০ রোম হাৎখ্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

সেনাপতিগী খুঞ্জাশিং করপসন থেংননবা পুনশিন্নখ্রে হায়বা পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- কামজোং জিলাদা মীওই ৪ লূপা লাক্ষ ৫৭ কা কোন্ননা ফারে হায়বা পাউ অমা অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

হোর্ণবিল ফেষ্টিভেলগীদমক প্রোতেক্তেদ এরিয়া পর্মিট লৌথোকখিবগী পাউ- মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**